ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ ১১, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৩৯শুবা মশীং

পংঙাঙদা ঙাঙগনু তানীংদে
লানসিবু থোকউ-থোকউবা ঙাঙফম্লা

হিংচা-য়াইতম্বা, শারমচৎ চৎপা কুকিশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চখরক্লিবা তমথীরবা লানসিবু ফাগিরা? য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা থোকউ-থোকউবা পংঙাঙদা ঙাঙবদৌনা মানা-মানা ঙাঙনীং-শক্লিংবা ঙাঙবগী ফীভমদা ঙাঙলক্লিবসিবু মণিপুরদা মীহাৎ-মীপূন্না পীক থনবা লান থোক্লগা, লানসিনা থা ১১ য়ৌনা চঙশিল্লক্লগা মখোয়না মপাম হরাওরিব্রা? হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অমা হায়বা, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা অমা হায়বা, এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর জয়শঙ্করনা অমা ঙাঙবা অদুগা আর্থ সাইন্সেস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা থোকঅবা অমা ঙাঙলক্লিবসিনদি অসুক কুইরবা মণিপুরগী লানসিগী মতাংদা মখোয় অমত্তা মুন্না খঙদ্রি। করিগুম্বা মতমদা য়ুনিয়ন কেবিনেট মীফমগা ফম্বদা কেবিনেট এজেন্দা লিষ্টতা হাপত্রবা ফাওবদা 'অন-লিষ্টেদ মেট্টর' ওইনা ফাওবা পুখৎতুনা খন্নদ্রি অমসুং নৈনদ্রি হায়বনি। মসিগী মথক্তা ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবতা ঙাঙলক্লিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মরিসিগী মনুংদা মৈ চাক্লিবা মণিপুরদা লাক্তুনা হকথেংননা মৈশা মশক খঙখিবদি অমিট শাহ মথন্তনি। মহাকসু অহিং ২/৩ লেক্লম্লগা নুমিৎ ১৫নি লৈরগা অমুক লাকখিগে হায়রম্লগা অমুক হন্না শমাই লৈরকখিদবনি। মসি ওইরগদি তমথীরবা লান অসি থোরকপগী মরমশিংগী মতাংদা শুকখঙ খঙদনা হেক্তা ঙাঙশিল্লক্লিবসিবু লানগী চৈথেং নংলিবা মণিপুরগী মীয়াম্না উৎ খুবাম অমা পায়রগা মচিনশিংদু নোইথৎকে হায়রক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? অসুক কুইবসি লান থোক্লিবা মণিপুরদসু লাক্তে, ৱা-লানসু ঙাঙলক্তে। অদুগা হৌজিক লোক-সভাগী মীখল খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবা মতমদা লান অসিগী মরমশিং অদুনি, অদানি হায়দুনা চিনফেন ফরক্লিবা অসিবু গুম্ভিরনা চানীংব'মা য়োৎশিল্লমদাইদা শিন্থরকপা পিদুনি হায়না লৌবদা অরানবা ওইখিগদ্রা?

অদুগা মণিপুরগী লান অসি পীছফুল দাইলোগ চত্থরবা মতমদতা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবদু হঞ্জিনহনবা ঙমগনি হায়নগসু হায়জবা-শকচবা শারি। ৱাফমসিদি অদুঙৈ মালেমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাও খক্কীদা নত্তনা থোকখ্রিবা লান হায়বা পূন্নমক্কী মচৎ ওইদুনা লাক্লবনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা হায়দ্রবসু চীংলোন ৯না কোইশিনবা পীকখ্রবা চীংলৈবাকসিদা লৈবা মীওইশিংসু খঙই। হৌজিক লানসিনা থা ১১ ৱায়শিল্লক্লবা মতমসিদদি লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী পোরম, থৌরাং-থৌশিলশিং থিন্দুনা তাক্লিবা খূৎতুনা মণিপুরদা লাক্লগা থবক ওইনা পাঙথোক্লরো হায়বনি। দেল্লীদা ফম্লগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা নখোয়গী লৈঙাক কনখৎতুনা থম্লগা লৈতোন শরূ পান্দে হায়দুনা হায়নীং-ঙাঙনীংবা মখোল থোকহল্লক্কনু। অচুম্বা-অশেংবশিংসু ঙাঙথোক-শক্তোকপা নত্তবনিনা চাক্লিবা মৈদা ঈকং লংশিনবা, ঘী হৈজিনবগুম থোক্লে হায়বনি। তানীংদবা ৱাফমশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন তেনৱানা মরোল লোনবদৌনা ঙাঙলক্লগদি লানসিদা শীজিন্নরিবা থাঙশাংনা নরৈ ককথৎকে হায়বা য়াওরক্কনি হায়বনি। লানসি মচা নত্তে। ফূরুপ অনীগী মরক্তা শোক্নরকপনি। মীওই ২০০ হেনবগী পূন্সি মাঙখ্রবনি। য়ূম লিশীং ৫গী মথক্তা মৈ থাদোকখিবদগী নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই লিশীং ৫০ হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবনি। অমনা অমা লৈরিবা এরিয়াদা চংন-থোক্ন তৌবা ঙম্নদ্রিবনি। ঈং-তপ্পা পুরকউ অমসুং মহৌশাগী তংদু লৈতাবা পূন্সিদা হঞ্জিলহল্লু হায়রিবসিসু লান শোক্নরিবা নাকল অনীমক্না হায়দ্রিবনি। শুপ্নতগী নাকল অমা খক্তগী খোল্লাও ওইরিবনি। ফীভমসিদা লোক-সভা মীখল নকশিল্লক্লে হায়দুনা নহান মখৈ চুপ লুপ্তুনা লৈরুরগা খরা ফরনি, ওইজরনি কায়না ঙাঙলক-শক্লক্লিন্দু অপাম্বা লম্বীদুদা মণিপুরদগী পাল্লিবা নখোয়' পার্টিগী এম পি অনীদু ফংবদি লায়রদনা তোরা তুনা মাঙলগা উপথুদুনা তুশিল্লগা নমায়-নমিৎকা ঈহিং-নাহিং শানিকো!! ৱা ঙাঙবদা খন্থগদবনি। মদুসু হৌজিক্তি ঙাঙদুনা লৈরগদবা নত্তে, থবক ওইনা তৌরগদবনি হায়বসি খঙজিল্লু।

ꯄꯪꯉꯥꯡꯗ ꯉꯥꯡꯒꯅꯨ ꯇꯥꯅꯤꯡꯗꯦ
ꯂꯥꯟꯁꯤꯕꯨ ꯊꯣꯛꯎ-ꯊꯣꯛꯎꯕ ꯉꯥꯡꯐꯝꯂꯥ

ꯍꯤꯡꯆꯥ-ꯌꯥꯢꯇꯝꯕ, ꯁꯔꯃꯆꯠ ꯆꯠꯄ ꯀꯨꯀꯤꯁꯤꯡꯅ ꯃꯤꯇꯩꯗ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯆꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯇꯝꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤꯕꯨ ꯐꯥꯒꯤꯔ? ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯁꯤꯡꯅ ꯊꯣꯛꯎ-ꯊꯣꯛꯎꯕ ꯄꯪꯉꯥꯡꯗ ꯉꯥꯡꯕꯗꯧꯅ ꯃꯥꯅ-ꯃꯥꯅ ꯉꯥꯡꯅꯤꯡ-ꯁꯛꯂꯤꯡꯕ ꯉꯥꯡꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯉꯥꯡꯂꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯃꯤꯍꯥꯠ-ꯃꯤꯄꯨꯟꯅ ꯄꯤꯛ ꯊꯟꯕ ꯂꯥꯟ ꯊꯣꯛꯂꯒ, ꯂꯥꯟꯁꯤꯅ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯌꯧꯅ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯃꯄꯥꯝ ꯍꯔꯥꯑꯣꯔꯤꯕ꯭ꯔ? ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍꯅ ꯑꯃ ꯍꯥꯌꯕ, ꯗꯤꯐꯦꯟꯁ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯔꯥꯖꯅꯥꯊꯅ ꯑꯃ ꯍꯥꯌꯕ, ꯑꯦꯛꯁꯇꯔꯅꯦꯜ ꯑꯦꯐꯦꯌꯔꯁ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯖꯌꯁꯉ꯭ꯀꯔꯅ ꯑꯃ ꯉꯥꯡꯕ ꯑꯗꯨꯒ ꯑꯥꯔꯊ ꯁꯥꯏꯟꯁꯦꯁ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯀꯤꯔꯦꯟ ꯔꯤꯖꯤꯖꯨꯅ ꯊꯣꯛꯑꯕ ꯑꯃ ꯉꯥꯡꯂꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯟꯗꯤ ꯑꯁꯨꯛ ꯀꯨꯢꯔꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯃꯈꯣꯌ ꯑꯃꯠꯇ ꯃꯨꯟꯅ ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯤ॥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯀꯦꯕꯤꯅꯦꯠ ꯃꯤꯐꯃꯒ ꯐꯝꯕꯗ ꯀꯦꯕꯤꯅꯦꯠ ꯑꯦꯖꯦꯟꯗ ꯂꯤꯁ꯭ꯇꯇ ꯍꯥꯞꯇ꯭ꯔꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗ 'ꯑꯟ-ꯂꯤꯁ꯭ꯇꯦꯗ ꯃꯦꯇꯔ' ꯑꯣꯏꯅ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯄꯨꯈꯠꯇꯨꯅ ꯈꯟꯅꯗ꯭ꯔꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯩꯅꯗ꯭ꯔꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ॥ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯉꯥꯡꯅꯤꯡ-ꯉꯥꯡꯅꯤꯡꯕꯇ ꯉꯥꯡꯂꯛꯂꯤꯕ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯃꯔꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯃꯩ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯂꯥꯛꯇꯨꯅ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅ ꯃꯩꯁꯥ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯈꯤꯕꯗꯤ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍ ꯃꯊꯟꯇꯅꯤ॥ ꯃꯍꯥꯛꯁꯨ ꯑꯍꯤꯡ ꯲/꯳ ꯂꯦꯛꯂꯝꯂꯒ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯱꯵ꯅꯤ ꯂꯩꯔꯒ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯥꯛꯈꯤꯒꯦ ꯍꯥꯌꯔꯝꯂꯒ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯁꯃꯥꯢ ꯂꯩꯔꯛꯈꯤꯗꯕꯅꯤ॥ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯇꯝꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯊꯣꯔꯛꯄꯒꯤ ꯃꯔꯃꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯁꯨꯛꯈꯪ ꯈꯪꯗꯅ ꯍꯦꯛꯇ ꯉꯥꯡꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯆꯩꯊꯦꯡ ꯅꯪꯂꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯎꯠ ꯈꯨꯕꯥꯝ ꯑꯃ ꯄꯥꯌꯔꯒ ꯃꯆꯤꯟꯁꯤꯡꯗꯨ ꯅꯣꯢꯊꯠꯀꯦ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯣꯢꯗꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯕ꯭ꯔ? ꯑꯁꯨꯛ ꯀꯨꯢꯕꯁꯤ ꯂꯥꯟ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯂꯥꯛꯇꯦ, ꯋꯥ-ꯂꯥꯟꯁꯨ ꯉꯥꯡꯂꯛꯇꯦ॥ ꯑꯗꯨꯒ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯣꯛ-ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯈꯨꯠꯅ ꯂꯥꯝꯕ ꯐꯪꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯃꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯅꯤ, ꯑꯗꯥꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯆꯤꯟꯐꯦꯟ ꯐꯔꯛꯂꯤꯕ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯒꯨꯝꯚꯤꯔꯅ ꯆꯥꯅꯤꯡꯕ'ꯃ ꯌꯣꯠꯁꯤꯜꯂꯃꯗꯥꯢꯗ ꯁꯤꯟꯊꯔꯛꯄ ꯄꯤꯗꯨꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯕꯗ ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔ?

ꯑꯗꯨꯒ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯄꯤꯁ꯭ꯐꯨꯜ ꯗꯥꯏꯂꯣꯒ ꯆꯠꯊꯔꯕ ꯃꯇꯝꯗꯇ ꯋꯥꯔꯣꯢꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯇꯨꯅ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯏꯪ-ꯇꯞꯄ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯪꯗꯨ ꯂꯩꯇꯥꯕꯗꯨ ꯍꯟꯖꯤꯟꯍꯟꯕ ꯉꯃꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯒꯁꯨ ꯍꯥꯌꯖꯕ-ꯁꯛꯆꯕ ꯁꯥꯔꯤ॥ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯗꯤ ꯑꯗꯨꯡꯉꯩ ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯂꯥꯟꯖꯥꯎ ꯈꯛꯀꯤꯗ ꯅꯠꯇꯅ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯂꯥꯟ ꯍꯥꯌꯕ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯀꯤ ꯃꯆꯠ ꯑꯣꯏꯗꯨꯅ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤ॥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯁꯤꯡꯅ ꯍꯥꯌꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯆꯤꯡꯂꯣꯟ ꯹ꯅ ꯀꯣꯢꯁꯤꯟꯕ ꯄꯤꯛꯈ꯭ꯔꯕ ꯆꯤꯡꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗ ꯂꯩꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯨ ꯈꯪꯏ॥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯥꯟꯁꯤꯅ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯋꯥꯌꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯗꯤ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯢꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕꯒꯤ ꯄꯣꯔꯝ, ꯊꯧꯔꯥꯡ-ꯊꯧꯁꯤꯜꯁꯤꯡ ꯊꯤꯟꯗꯨꯅ ꯇꯥꯛꯂꯤꯕ ꯈꯨꯠꯇꯨꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯂꯥꯛꯂꯒ ꯊꯕꯛ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯔꯣ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ॥ ꯗꯦꯜꯂꯤꯗ ꯐꯝꯂꯒ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯅꯔꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯃꯣꯗꯤꯅ ꯂꯨꯆꯤꯡꯂꯤꯕ ꯅꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯀꯅꯈꯠꯇꯨꯅ ꯊꯝꯂꯒ ꯂꯩꯇꯣꯟ ꯁꯔꯨ ꯄꯥꯟꯗꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡ-ꯉꯥꯡꯅꯤꯡꯕ ꯃꯈꯣꯜ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯛꯀꯅꯨ॥ ꯑꯆꯨꯝꯕ-ꯑꯁꯦꯡꯕꯁꯤꯡꯁꯨ ꯉꯥꯡꯊꯣꯛ-ꯁꯛꯇꯣꯛꯄ ꯅꯠꯇꯕꯅꯤꯅ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕ ꯃꯩꯗ ꯏꯀꯪ ꯂꯪꯁꯤꯟꯕ, ꯘꯤ ꯍꯩꯖꯤꯟꯕꯒꯨꯝ ꯊꯣꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ॥ ꯇꯥꯅꯤꯡꯗꯕ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡ ꯍꯟꯖꯤꯟ-ꯍꯟꯖꯤꯟ ꯇꯦꯟꯋꯥꯅ ꯃꯔꯣꯜ ꯂꯣꯟꯕꯗꯧꯅ ꯉꯥꯡꯂꯛꯂꯒꯗꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯤꯕ ꯊꯥꯡꯁꯥꯡꯅ ꯅꯔꯩ ꯀꯛꯊꯠꯀꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯌꯥꯎꯔꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ॥ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯃꯆꯥ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯁꯣꯛꯅꯔꯛꯄꯅꯤ॥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ ꯍꯦꯟꯕꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ॥ ꯌꯨꯝ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯃꯩ ꯊꯥꯗꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤ-ꯑꯉꯥꯡ ꯌꯥꯎꯅ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵꯰ ꯍꯦꯟꯅ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯗꯨꯅ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡꯗ ꯆꯪꯖꯐꯝ ꯂꯧꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ॥ ꯑꯃꯅ ꯑꯃ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥꯗ ꯆꯪꯅ-ꯊꯣꯛꯅ ꯇꯧꯕ ꯉꯝꯅꯗ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯏꯪ-ꯇꯞꯄ ꯄꯨꯔꯛꯎ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯇꯪꯗꯨ ꯂꯩꯇꯥꯕ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗ ꯍꯟꯖꯤꯜꯍꯜꯂꯨ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤꯁꯨ ꯂꯥꯟ ꯁꯣꯛꯅꯔꯤꯕ ꯅꯥꯀꯜ ꯑꯅꯤꯃꯛꯅ ꯍꯥꯌꯗ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯁꯨꯞꯅꯇꯒꯤ ꯅꯥꯀꯜ ꯑꯃ ꯈꯛꯇꯒꯤ ꯈꯣꯜꯂꯥꯎ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗ ꯂꯣꯛ-ꯁꯚꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯅꯛꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯅꯍꯥꯟ ꯃꯈꯩ ꯆꯨꯞ ꯂꯨꯞꯇꯨꯅ ꯂꯩꯔꯨꯔꯒ ꯈꯔꯥ ꯐꯔꯅꯤ, ꯑꯣꯏꯖꯔꯅꯤ ꯀꯥꯌꯅ ꯉꯥꯡꯂꯛ-ꯁꯛꯂꯛꯂꯤꯟꯗꯨ ꯑꯄꯥꯝꯕ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯒꯤ ꯄꯥꯜꯂꯤꯕ ꯅꯈꯣꯌ' ꯄꯥꯔꯇꯤꯒꯤ ꯑꯦꯝ ꯄꯤ ꯑꯅꯤꯗꯨ ꯐꯪꯕꯗꯤ ꯂꯥꯏꯔꯗꯅ ꯇꯣꯔꯥ ꯇꯨꯅ ꯃꯥꯡꯂꯒ ꯎꯞꯊꯨꯗꯨꯅ ꯇꯨꯁꯤꯜꯂꯒ ꯅꯃꯥꯏ-ꯅꯃꯤꯠꯀꯥ ꯏꯍꯤꯡ-ꯅꯥꯍꯤꯡ ꯁꯥꯅꯤꯀꯣ!! ꯋꯥ ꯉꯥꯡꯕꯗ ꯈꯟꯊꯒꯗꯕꯅꯤ॥ ꯃꯗꯨꯁꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯉꯥꯡꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯒꯗꯕ ꯅꯠꯇꯦ, ꯊꯕꯛ ꯑꯣꯏꯅ ꯇꯧꯔꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯈꯪꯖꯤꯜꯂꯨ॥

লৌমীশিংগী কাখল

তিল্হৌ-চনমদা তাবা তীল মখল খরা

ডা. এম থোইথোই সিংহ

তিল্হৌ-চনমগী তীলনাশিংগী মনুংদা থ্রিপস, ওনিয়ন মেগোট, আর্মি ৱোর্ম, হেলিকোভর্পা অর্মিজেরা, বল্ব মাইট, ইরীফাইভ মাইট অমসুং রেড স্পাইদর মাইট মমিং পনবা য়াই।

থ্রিপস : চহী খুদিংগী থ্রিপসনা তিল্হৌ-চনম থাফম খুদিংদা শোকহল্লি। তিল্হৌ-চনম থাদবা মতমদা অতোপ্পা পাম্বীশিং কোবী, খামেন অশিনবা, থবী, চিনার, মাইরেন, ষ্ট্রোবেরি অমসুং নাপী মখল কয়াদা শাইদাংদুনা লৈবনা তীলনা অসি লাকশিনবা ৱাই। তীলসিনা তিল্হৌ-চনমগী মনা, মউ, মরূদগী মহী চুপথোক্তুনা মাঙহনবদা নত্তনা তীলসিনা কোকফাই লায়না অমসুং ভাইরস লায়নাশিং শন্দোকই।

খরা শাগৎলকপা মতমদদি পাম্বী অমদা তীল মখলসি ২০০দগী ৫০০ ফাওবা য়াওই (নপ্পুনা লৈ)। থ্রিপস মিলিমিটর অনীমুক শাংবা, লাবা য়াওদ্রবসু অমুক্তা মরূম ১০-১০০ ফাওবা পুথোক্তুনা য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙম্বা তীলনি। অঙৈং-অশা খেন্নবগী মতুংইন্না মরূমশিং নুমিৎ ৪-১০ ফাওবগী মনুংদা মচা ওল্লি। মরূমদগী মপী ফারকপদা নুমিৎ ১০-৩০ ফাওবা চংই। পাম্বীনা মতোন থোকপদগী লোক্লবা মতুং ফাওবা তাবা ঙম্মী। অদুবু মরূ তাবা হৌরকপা মতমদগী তীলনাসি শাথীবা হেনগৎলকই। চাউবা মপূং ফাদ্রিবা অমসুং ফারবা তীলশিংনা মনাশিংগী মহী চুপথোকই। লোক্লবা মনাশিং ঙৌনা লংবা দাগ কয়ামুক লৈগনি। দাগশিং শমজিন্নরক্কনি। করিগুম্বা তীলনাসিনা নৌরিঙৈদা মনাশিং লৈখায়বদা নত্তনা কুরূ তাগনি। লোক্লবা তিল্হৌ-চনম ফাওবা তীলনা অসিনা শোকহনবা ঙম্মী।

ফনবা শেম শাবা : ১) থ্রিপসশিংসি সিলভর মচুদা হৈনদবা মরম্না Poly mulch (সিলভর মচুনা মথক থংহনবা) কুপ্পগা থাবা মফমদা তাবা হন্থে। অদুবু তিল্হৌ-চনমগী মনানা য়াম্না কুংশিল্লকপা মতমদদি অরংবা মচুদু ইউ-উদবা মরম্না চপ চানা কান্নবা ফংদে।

২) ঈশিং ৱাৎপা মতমদা থ্রিপসকী মশীং য়াম্না হেনগৎলি; মপাঙ্গল কল্লি। মতম পূম্বদা ঈশিং ৱাত্তনবা হোৎনগনি। স্প্রিঙ্কলর নৎত্রগা রেন পাইপ শীজিন্নদুনা ঈশিং পীবা মতমদা থ্রিপসকী মশীং হন্থহল্লি। লৈবাক ঈশিং চোক্তুনা লৈবনা লৈবাক্তা লৈরিবা তীল মহুম পুমহনবা ঙম্মী।

৩) থ্রিপস শান্না পাইবা ঙমদে, তিল্হৌ-চনম থারিবা ফৈদোমশিংগী (স্কৱার মিটর ২৫০) অকোয়বদা চুজাক পরেং অনী থাজিনবনা থ্রিপস পাইশিল্লকপদগী অথিংবা পী। চাদা ৮০ হন্থহনবা ঙম্মী।

৪) তীলশিংবু লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই মখলশিং *Beauveria bassiana, Metarhizium anisopliae, Paecilomyces fumosoroseus* অমসুং *Verticillium lecanii* কাপথোক চাইথোকপসু থ্রিপসকী চাং চাদা ৩০দি শোয়দনা হন্থহনবা ঙম্মী।

৫) তীল মখলসি তাবা হন্থবা তিল্হৌ মখল N-2-4-1, Pusa Ratnar, B-780, Pusa Red অমসুং N-53 মমিং পনবা য়াই। অদুমকপু তীলসিমক চপ চানা ঙাকথোকচবা ঙমজবা (Resistant var.) তিল্হৌ নৎত্রগা চনম ইন্দিয়াগী মফম অমতদা লৈত্রি।

৬) নিম ওইল ৩০০০ পি পি এম মিলিলিটর ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্লবসু তীলসি তাবা হন্থহল্লি।

৭) Clothianidin 50% WDG গ্রাম অনী ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনা পূম্বা চোৎনবা কাপথোকপসু য়াই।

ওনিয়ন মেগোট : হয়িং তীলনি; ওনিয়ন ফ্লাই হায়রগসু খঙনৈ। ইঞ্চি অমগী মরি থোকপগী অমমুক্তং চাউই, মনম পোল্লি। পাম্বী মখোঙগা নক্নবা লৈমায়দা শাংতক তৌবা মরূমশিং কোকই। মরূমদগী ওল্লবা হলশিং ইঞ্চি অমগী অহুমথোকপগী অমমুক শাংই। তিল্হৌ-চনমগী মরাগা নক্না লৈরিবা মরূগী শরুকশিংদা চংশিনখি। মনুং য়ৌশিনখি। তিল্হৌ-চনমগী মথক থংবা শরুকশিং নাপু চংলকই। পাম্বীগী পথ-পুমথরবা শরুক্কী (ওর্গেনিক মেটর) চাং ৱাংবা মফমদনা তীলনা মখলসি হেন্না থেংনৈ। লোক্তাক অমসুং অতৈ পাৎ ময়াদা থাবা তিল্হৌ-চনমদা তীলসি তোয়না থেংনৈ।

ফনবা শেম শাবা : ১) মপূং ফানা পথদ্রিবা ষষ্ঠি-ষণয়ুং, পাম্বীগী লেমখাক শীজিন্নরোইসি। ফুমথীগী চাং য়াম্না ৱাংবা মফমদা থারোইসি।

২) পাম্বী কা হেন্না কুংদবা ফৈ। ইঞ্চি ৬ x ইঞ্চি ৩দগী হেন্না কুংহল্লোইসি।

৩) তীলনাসিদগী ঙাকথোকচবা ঙমজবা তিল্হৌ-চনম মখল লৈতে।

৪) Deltamethrin 2.5% SC মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

আর্মি ৱোর্ম : আর্মি ৱোর্ম মখল অনী *Spodoptera exigua* অমসুং *Spotoptera litura* অনীমক তিল্হৌদা তাই অদুবু অকনবা চৈথেংদি পীদে। তীলশিংসিনা শোকহল্লবা তিল্হৌগী মনাদা লাউনা লাউনা হোবতা নত্তনা মথীশিংসু থেংনগনি। মনাশিংদা মরূম চবুন-চবুন ওইনা কোকই, মচা ওনবগা মনাশিং চাথোকই অদুবু মহুমদি লৈবাক মনুংদা হাইগনি।

ফনবা শেম শাবা : ১) Pheromone trap শীজিন্নদুনা ফাদোকপা য়াই। মসিগীদমক Pheromone Funnel Trap অমসুং Spodoptera Lure শিং শীজিন্নগনি। শঙম অমদা মরি হাপকনি। লৈবাক্তগী সেন্টিমিটর ১২৫ ৱাংনা থমগনি।

২) Nucleopdy hedrovirus (NPV) (Biokill-S) মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপসু য়াই।

৩) Cypermethrin/acephate ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

হেলিকেভর্পা অর্মিজেরা : তীলসিনা হন ওইরিঙৈদা তিল্হৌ-চনমগী মউদা মাঙহল্লম্বদগী মপান পুরিবা মখোক য়ৌশিল্লকই। মপালবুসু কংহল্লি। মরূ পুথোকপা ঙমহন্দে। লমদমসিদদি মরূ লৌনদবনিনা য়াম্না মরূ ওইবা তীলনাদি নত্তে।

ফনবা শেম শাবা : *Helicoverpa armigera* গী Lura অমসুং ফনেল ত্রেপ শীজিন্নবা য়াই। নৎত্রগসু NPV Helicoverpa, Bt শীজিন্নবা য়াই।

তিল্হৌ-চনমদা অপীকপা পাম্বীগী মহি চূপ্পী তীলকুপশিং মরূ ওইনা বল্ব মাইট, ইরিওফাইড মাইট অমসুং বেড স্পাইদর মাইটশিংনসু পাম্বীবু মাঙহল্লি। মখোয়গীদমক্তি কিল্লর ৭০৭ মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। নৎত্রগসু Propargite 57 EC ওইনা শীজিন্নবা য়াই। ●

ওর্গানিক ফার্মিংগী খুদোংচাবা/চাদবশিং

- এস সুমঙ্গল -

চুম্মিব্রা লাল্লিব্রা ওর্গানিক ফার্মিংগী মায় পাকপগী ৱারী কয়া অমদি অয়াম্বনা ঐখোয় লমগীসু, মপান লমগীসু তানরি। অদুবু ওর্গানিক ফার্মিং পায়খৎপদা য়ানি-য়ারোই, ওইথোক্কনি-ওইথোক্লোই, তোংজগনি-মাঙজগনি হায়বা ৱাফম কয়া অমা হৌজিক ফাওবা খন্নবা লোইদ্রি হায়বা য়াই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ওর্গানিক্কী পোথোক্কী খুদোংচাবশিংগা চাদবশিংগা অনীমক্কী মরমদা য়েংশিনবা মতমদা অয়াম্বা লৌউবগী থবক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা মফমগী ফীভমশিংদা, মখল কয়াগী লৌউ পাম্বীশিংদা মাঙজবদগী তোংজবনা হেল্লি হায়বসি মীয়াম্না য়ানরবা মওংদা লৈ হায়বসি অখণ্ড অহে কয়ানা থম্বীরম্বা ৱাফমনি। ৱাফম কয়া অসি খরা লৌখৎতুনা খণ্ডজিনমিন্নবা য়াই।

কান্নবশিং/খুদোংচাবশিং : ১) ওর্গানিক ফার্মিং তৌবা মতমদা পাম্বীগী মচীঞ্জাক পীবগী অমদি লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবগী শীজিন্নরিবা পোৎলম খুদিংমক হূ চেনবা পোৎলম ওইদবা মরম্না অকোয়বগী ফীভমদা অমদি মীওইবা য়াওনা শা-ষণ, উচেক-ৱায়া শম্না হায়রবদা থৱায় পানবা খুদিংমক্তা অকায়বা পীদবা মরম্না পূন্নমক অমনা অমদা তেংবাঙনবা মওংদা লৈবাক লৈহাওসু মাঙদনা, পাম্বীগী শাহৌদা, হৌবা ঙম্বগী ফীভমদা, খুদিংমক অসিদা তুং কোয়বা মওংদা থম্মী হায়বসি লাল্লরোই। লোয়ননা মথক্তা থমজখিবা মীওইবা য়াওনা পাম্বী, শা-উচেক, হিংকুপশিং খুদিংমক্কী মশা ফবা হায়বসিনা নিংথিনা মাগী-মাগী মথৌ পাঙথোকপদা অকায়বা ওইগদবা খুদিংমক ওর্গানিক ফার্মিং তৌবনা ঙাকথোকই হায়বসিমসু লাল্লরোই।

ORGANIC FARMING

২) শেম্বা শাবদগী হৌরগা পুথোক পুশিন, পেকেট শাদোক শাজিন, পাম্বীদা চাইথোক-চাইশিন অসিনচিংবা পাঙথোক্লিবা থৌরম খুদিংমক্তা শ্বর হোনবদা, উনশাদা, অতোপ্পা মওংদা পুক্নুংদা রশায়নগী পোৎলমশিংনা চঙখিদুনা ওইরমগদবা অমাঙবা খুদিংমক্তগী ঙাকথোকপা/কনবা হায়বসি ওর্গানিক ফার্মিংনা ওইথোকহল্লি। হীদাকশিং অসি শীজিন্নবনা শীজিন্নদবা মফমশিং ফাওবদা হায়বদি ঈশিংদা, নুংশিৎতা তিনখিদুনা খুদিংমক্কী হকচাংদা মাঙহল্লমগদবদগী কনবা ঙমহল্লি।

৩) ওর্গানিক ফার্মিংনা লৈবাক লৈহাওবু মহৌশাগী ওইবা মওংদা লৈহাওগী মগুণ অহুম হায়বদি লৈশাগী ফীভম, লৈহাওদা হিংলিবা - হিংকুপশিংগা লোয়ননা অতৈ থৱায় পানবশিং অমদি লৈবাক লৈহাওগী মনুংদা য়াওরিবা রসায়নশিংগা মখোয় অহুমগী মরক্তা লৈনরিবা মরী খুদিংমক্তা অফবা মরী লৈহন্দুনা অফবা লৈবাক লৈহাও ওইহল্লি। খরা হেন্না হায়রবদা হাপ্লিবা হেনগৎলক্লিবা ওর্গানিক মেটরশিংনা লৈবাক লৈহাওদা ঈশিং নুংশিৎ ফাওদোক ফাওজিন, চিথোক চিশিন নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দুনা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বগী ফীভমশিং য়াম্নমক ফগৎহল্লি। ঈশিংবু মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমহল্লি লোয়ননা লৈবাক লৈহাও চেন্থদুনা (ইরোজন) মাঙবদগীসু কনবা ঙমহল্লি, তুং কোইবসু ঙমহল্লি।

৪) লৌউ শেঞ্জংগী ওইনা য়েংলগসু অতোপ্পা মফমদগী শেল তিংনা লৈরূদুনা অহেনবা শেল চঙহন্দবনা শেঞ্জং হন্থবগা লোয়ননা শেন্দোং লৈবসু হেলহল্লি। থৌওং অসিদা লৈবাক লৈশানা মহৌশাগী ওইবা মওংদা খুদিংমক্তা মতেং পাংবা মরম্না মতম শাংনা পোথোক পুথোকপা ঙমহনবগা লোয়ননা রসায়নগী হার অমদি তীলহাৎ হীদাকশিং লৈবগী শেল তিংহন্দে। তশেংনমক্তি মসি মহৌশাগী লৌউ (নেচরেল ফার্মিং) হায়রিবা ৱাখল্লোনগী মনুং চল্লি। পান্দমদি অমত্তনি।

৫) ওর্গানিক ফার্মিংনা পোল্যুসন লৈহন্দবগা লোয়ননা হূ চেন্দবা অফবা মচল শুবা পোথোক পীদুনা চারিবা খুদিংমক্কী ৱাখলদা চিংনবা নুংঙাইতবা ফাওহন্দবগা লোয়ননা মীওইবা য়াওনা শা-ঙা খুদিংমকপু মশা ফবা তিঞ্জং কায়জংদবা ওইহল্লি।

৬) রসায়নগী হার অমদি অতোপ্পা রসায়নগী পোৎলমশিংদা লৈঙাক্লা পীরিবা অচৌবা সবসিদিনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং পীবগা লোয়ননা ফোরেন এক্সচেঞ্জগী রিজর্বতসু য়াম্নমক হন্থহল্লি হায়নরি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা চহীগী ওইনা সবসিদি পীবদা চৎলিবা চাওরাকপা লুপা ক্রোর ৫০০০গী শেনফম্না ওর্গানিক ফার্মিংগী ওইবা হীরমদা মীপূম খুদিংদা ত্রেনিং পীদুনা অমদি অতৈ তেংবাঙ পীদুনা ওর্গানিক ফার্মিং পায়খৎহনবা ঙমগনিসু হায়রি।

খুদোংচাদবশিং/খুরৌ চেনবশিং : ১) ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি ফীভম খুদিংমক্কী লৌউ পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনদি পাঙথোকপদা খরা ৱাগনি/ৱানা থোক্লি। ওর্গানিক ফার্মিংদা চঙলিবা মচাকশিং তোঙান তোঙানবা মফমগী/ফীভমগী ওইনা চপ মান্নৌ হায়বা য়ারক্তে। তোঙান তোঙানবা মফমগী/ফীভমগী, পাম্বী মখলশিংগী তোঙান তোঙানবা পায়খৎকদবা থৌরমশিং চানবা য়েংদুনা তোঙান তোঙান্না শেমগৎপা তারকই।

২) ওর্গানিক ফার্মিং তৌবনা শেন্দোংদা অমদি পোথোক্তা খঙহেন হেনগৎহনবা হায়বসি অরায়বা থবক ওইদে। পূন্নমক অসি ওইহন্নবা হোৎনরকপদা য়ামদ্রবদা চহী ৭-৮দি চঙবা তারকই।

৩) ওর্গানিক্কী ওইবা হারশিং অয়াম্বা পোৎচাও পোৎলুম ওইনা তৌরগা পাম্বীগী মচীঞ্জাক মচলনা য়ামদবা ওইনা তৌবনা অয়াম্বা ওইবনা খুদোং চাহন্দে। পাঙথোক্লিবা মফমমক্তা হায়রিবা মচাক অসি ফংহনবা হায়বসিদি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌরকপা তারকই। মসি মফম খুদিংমক্তা পায়খৎপা হায়বসি ওইথোক্তবা মফমসু লৈতবা নত্তে।

৪) চহী কয়া অসিদা পুথোরক্লিবা চাথোক লৈবা পাম্বীশিং হায়ব্রিদশিং অয়াম্বা মচীঞ্জাক য়াম্না চঙবা মরম ওইবনা রসায়নগী হার তঙাইফদনা চঙদবা য়ারক্তে, য়েংখিবা তারি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা হেক্তা মখোয়বু থারগা ওর্গানিক ফার্মিংবু শেন্দোং ফংনা পায়খৎপা হায়বসি য়াখিরোই। তঙাইফদনা মতম খরা অদুমক চঙখিনি। অনৌবা, চাথোক লৈনা ওর্গানিক ফার্মিংদা চানগদবা মখলশিং থিদোকপা, পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

৫) লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা হীদাক মখল কয়া অমদি লৈরে হায়ববু নাপি ঙাকথোক্লবা পাম্বেদি খূৎনা অমদি অতৈ মেকানিকেল ওইবা পাম্বে থিবা তারি। মসি অৱাবা শেল চঙবা থৌরম অমনি।

৬) মহৌশাগী লৈরক্লবা, মহৌশাগী ওইবা পাম্বীগী য়েক্লবা ঙাকথোক্লবা পাম্বেশিং হায়বদি নেচরেল এনিমি কয়া অমা মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়গী মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা লৌমীশিংগী খূৎ য়ৌহনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি হায়রিবা খুরৌশিং অসিনা মরম ওইরগা ওর্গানিক ফার্মিং মফম খরদা নৎত্রগা খুদিংমক্তা পাঙথোকপা মতমদা নীংহন্নবা পোকখিবসু য়ারি। অদুমকপু অকনবা থিজিনবগী (রিছর্স) থবক্কা লোয়ননা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী অমদি লৈঙাক্কী পুকচেল শেংবা অমদি হোৎনবা কনবগা ইরোয়ননা চৎমিন্নরবদি খুদোংচাদবা কয়া অসি মায়োক্নদুনা মাঙদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। লৈরিবা লৌফমশিংগী ফীভমশিং অসিবু মশানা মশাবু ওর্গানিক্কী থবক পায়খৎপগী ফীভম অমদা পুরকপা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। অদুবু মসি মীওইবা ঐখোয়না পুকচেল শেংনা অমদি থৌনা ফনা হোৎনরবদি ওইথোকহনবা ঙমদবা লৈরোই হায়বসিনি থমজনীংলিবা ৱাফমদি। মসিনা পূন্নমক্কী তুং কোইনা য়াইফবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা)-১১৯

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ময়ুম মকৈ মৈথা লালচন ঙমদরিবমখৈ। নয়ুম মাইকৈ হললককে খনগনো। পলেম ইমা নুখুবীগী মচা। ইয়ামবা খমলাং পামশাবা নহাকসু। লোইবী হাওকু লম। লালদা লালথেংঙো। হাওকু মরাল লালচঙ লালঙমদ্রবদি। নচীঙ লমদমদা। হলনা অমুক লাককনো। লাইরেল ঐহাকসু। কৌব্রু লৈহৌ লমদা। লালদা লালথেংগে। মরোই হাওবা মপুঙ তাকনা। লালদা লৈহৌ লমদা লালখোমদ্রবদি। লাইরেল ঐসু। ইয়ুম শঙগাই মায়ওননা হলকতা। য়াইবী থৱায় থাদোকতনা হললকলরোই। ৱাহায়না হুয়েল লালদা লালথোঙ শিননখিয়ে। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -꯱꯱꯹

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯃꯌꯨꯝ ꯃꯀꯩ ꯃꯩꯊꯥ ꯂꯥꯜꯆꯟ ꯉꯃꯗꯔꯤꯕꯃꯈꯩ॥ ꯅꯌꯨꯝ ꯃꯥꯢꯀꯩ ꯍꯜꯂꯛꯀꯦ ꯈꯟꯒꯅꯣ॥ ꯄꯂꯦꯝ ꯏꯃꯥ ꯅꯨꯈꯨꯕꯤꯒꯤ ꯃꯆꯥ॥ ꯏꯌꯥꯝꯕ ꯈꯃꯂꯥꯡ ꯄꯥꯝꯁꯥꯕ ꯅꯍꯥꯛꯁꯨ॥ ꯂꯣꯢꯕꯤ ꯍꯥꯎꯀꯨ ꯂꯝ॥ ꯂꯥꯜꯗ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡꯉꯣ॥ ꯍꯥꯎꯀꯨ ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯥꯜꯆꯪ ꯂꯥꯜꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ॥ ꯅꯆꯤꯡ ꯂꯃꯗꯝꯗ॥ ꯍꯜꯅ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯥꯛꯀꯅꯣ॥ ꯂꯥꯢꯔꯦꯜ ꯑꯩꯍꯥꯛꯁꯨ॥ ꯀꯧꯕ꯭ꯔꯨ ꯂꯩꯍꯧ ꯂꯃꯗ॥ ꯂꯥꯜꯗ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡꯒꯦ॥ ꯃꯔꯣꯢ ꯍꯥꯎꯕ ꯃꯄꯨꯡ ꯇꯥꯛꯅ॥ ꯂꯥꯜꯗ ꯂꯩꯍꯧ ꯂꯃꯗ ꯂꯥꯜꯈꯣꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ॥ ꯂꯥꯢꯔꯦꯜ ꯑꯩꯁꯨ॥ ꯏꯌꯨꯝ ꯁꯉꯒꯥꯢ ꯃꯥꯌꯑꯣꯟꯅ ꯍꯜꯀꯇ॥ ꯌꯥꯢꯕꯤ ꯊꯋꯥꯌ ꯊꯥꯗꯣꯛꯇꯅ ꯍꯜꯂꯀꯂꯔꯣꯢ॥ ꯋꯥꯍꯥꯌꯅ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗ ꯂꯥꯜꯊꯣꯡ ꯁꯤꯟꯅꯈꯤꯌꯦ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।